# খাগেম্বা ফুটবোল ট্রোফি : গোল্ডন এফ সীনা কিক মাষ্টর মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৩(ঐচ এন এস):**
ক্যামগৈ য়ুঠ পাইওনিয়র ক্লব (কে ৱাই পি সী) ক্যামগৈ হৈবোং মখোঙনা শীন্দুনা টিম ১৬না গ্রুপ ৪ থোক্লা খায়দোক্তুনা ক্যামগৈ হৈবোং মখোঙ লম্পাক্তা চথুরকখিবা ১৩রক শুবা খাগেম্বা ফুটবোল ট্রোফি ২০২৫ ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা লোইশিনবা নুমিৎতা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা গোল্ডন এফ সীনা কিক মাষ্টর মায়থীবা পীরম্লগা টুর্নামেন্ট অসিগী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে।

ঙসি নুংথিল পুং ২ তাবদগী হৌরগা গোল্ডন এফ সী অমসুং কিক মাষ্টরগী মরক্তা ফাইনেল মেটচ শান্নবা হৌখি। টিম অনীগী মরক্তা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা হৌগৎলকপদগী গোল্ডন এফ সীগী শান্নরোয়শিংনা বোল হেন্না পায়দুনা লাকচনা শান্নবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা মেটচ অদুগী হৌগৎলকপা ২ অমসুং ১০শুবা মিনটতা গোল্ডেন এফ সীগী রোশননা থংন-থংননা পাঞ্জল অনী চনবা ঙমখি। কিক মাষ্টরগী মায়কৈদগী মখোয়গী মায়োক্তা চনশিনখিবা পাঞ্জলশিং অদু হন্দোকপা ঙম্নবা য়াম্না কন্না হোৎনখি। অদুবু বোল পায়বগী চাং নেমখিবনা মরম ওইরগা পাঞ্জল চন্নবা হোৎনখিবশিং অরেম্বদা তাখি। অমরোমদা, বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙল্লিবা গোল্ডন এফ সীগী মায়কৈদগী মেটচ অদুগী ১৯শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখি। পাঞ্জল অদু টিম অদুগী শান্নরোয় লানঙম্বনা চনখিবনি। মদুগী মতুং ইকান কান্নদনা মেটচ অদুগী ২৯শুবা মিনটতা গোল্ডন এফ সীগী সুরচন্দ্রনা মখোয়গী টিমগী ওইনা মরিশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। কিক মাষ্টরগী মায়কৈদগী অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদবনা মরম ওইরগা গোল্ডন এফ সীনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল ৪-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি।



অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী ওইনা কিক মাষ্টরগী শান্নরোয়শিংনা মখোয়গী হৈ-শিংবশিং মপূং ফানা উথোক্তুনা মখোয়গী মায়োক্তা চনশিনখিবা পাঞ্জলশিং হন্দোকপা ঙম্নবা য়াম্না কন্না শান্নরকখি। গোল্ডন এফ সীগী মায়কৈদগীসু মখা তাবা পাঞ্জলশিং চনবা ঙম্নবা মখল কয়াগী এটেকশিং চত্থদুনা শান্নখি। টিম অনীমক্লা অকনবা মওংদা লম্বা তৌনখি। অদুমওইনমক মেটচকী অপীবা অরোইবা মতম ফাওবদা কিক মাষ্টরগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা হন্দোকপা ঙমখিদবনা মরম ওইরগা মেটচ অদু গোল্ডন এফ সীনা পাঞ্জল ৪-০দা মায় পাক্তুনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবনি।

চথুরকখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী বেষ্ট প্লেয়রগী টাইটলনা কিক মাষ্টরগী শান্নরোয় ভুমেশ্বরনা লৌখি। বেষ্ট গোলকীপরগী টাইটলনা সোলদেন এফ সীগী বোমবোমনা লৌখি। তোপ স্কোররনা জি এফ সীগী অবাজনা ওইখি। অদুগা ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুগী মেন ওফ দি মেটচনা রোশননা তাখি। অদুগা বেষ্ট দিসিপ্লিন টিমনা অপূনবা এফ সী নোর্থ এ ও সীনা তাখি।

তোঙান-তোঙানবা টাইটলশিং লৌবা ঙমখ্রবা শান্নরোয়শিংদা শেল অমদি ট্রোফি পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখি। অদুগা টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নর ওইবা ঙমখ্রবা গোল্ডন এফ সীগী টিমদা শেল ওইনা লুপা লিশিং ৫০ অমদি ট্রোফি, অদুগা রন্নর্স অপ তাখ্রবা কিক মাষ্টরগী টিমদনা শেল ওইনা লুপা লিশিং ৩০ অমদি ট্রোফি খূৎশিন্নদুনা পূক্নিং থৌগৎখি।

# সিনিয়র ৱিমেন্স ৱান দে ট্রোফি : ফোর্স ক্ষেত্রিগাওনা অল অমিন লিলোং থোইখ্রে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৩(ঐচ এন এস):**
মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএশন (এম এন সী এ)না শীন্দুনা হৌজিক চথুরিবা ৪রক শুবা এম এন সী এ সিনিয়র ৱিমেন্স ৱান দে ট্রোফি ২০২৪-২৫গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ফোর্স ক্ষেত্রিগাওনা অল অমিন লিলোং মায়থীবা পীখ্রে।

ঙসি অয়ূক অঙনবদগী হৌরগা থাও গ্রাউন্দ থাংমৈবন্দদা ফোর্স অমসুং অল অমিনগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী টোস ফোর্সনা ঙমদুনা হান্না ফিল্ডিং তৌনবা খনখিবদগী অহানবা ইন্নিংসতা অল অমিননা বেটিং তৌদুনা শান্নখি। অল অমিননা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা টিম অদুগী বেটসমেন নাজিয়া বেগমনা বোল ৮৮ মায়োক্লবদা রন ৭৫ লৌদুনা টিমগী




রন মশীং য়ামহন্নবা হোৎনরল্লবসু লেমহৌরিবা বেটসমেন অমত্তনা দিজিট অনী শুনা রনশিং লৌবা ঙমখিদবদগী ওভর ৩২.১ লোইবদা টিম অদুগী ৱিকেট ১০ মক তুরগা রন ১৪২ লৌবা ঙমখি।

ফোর্সনা টার্গেট রন ১৪৩ লৌবা ঙম্নবা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা টিম অদুগী বেটসমেন অয়াম্বনা মায়োক্লরিবা টিমগী বোলরশিংনা চথুরকখিবা এটেকশিং হৈন-শিংনা মায়োক য়াদুনা শান্নবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা ওভর ১৮.৪ লোইবদা টিম অদুগী ৱিকেট ৪ তুরগা টার্গেট রন ১৪৩ লৌবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু ফোর্সনা ৱিকেট ৬তা মায় পাকখিবনি।


ঙসি টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ৱিমেন ওফ দি মেটচনা ফোর্সকী কে ঐচ রুকসদনা তাখি। মহাক্না বোল ৪দা রন ৩ অদুগা ওভর ৫.১দা ৱিকেট ৩ লৌরমখি।

# নুপীগীদা মণিপুর রাইফলস অদুগা নুপাগীদা নার্কোটিক্সনা ৱিন্নর ওইরে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৩(ঐচ এন এস):**
ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএশন (অম্ফা)না শীন্দুনা চথুরিবা অহানবা ষ্টেট লেভেল ৱু কবস বেবী লীগকী ওইনা অন্দর-১২গী নুপীমচাগীদা মণিপুর রাইফলস অদুগা নুপামচাগীদনা নার্কোটিক্সনা ৱিন্নর ওইখ্রে।

অন্দর-১২গী নুপীমচাগীদা মণিপুর রাইফলস অমসুং হোম গার্দকী মরক্তা ফাইনেল মেটচ শান্নখি। মদুদা মণিপুর রাইফলসনা হোম গার্দ টিমবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীরম্লগা ৱিন্নর ওইবা ঙমখিবনি। মণিপুর রাইফলসকী মায় পাকপগী পাঞ্জল অনী অদু মুতুম দাইনা চনু অমসুং থাংজম জয়শ্রীনা অমমম্ চনখিবনি। অদুগা হোম গার্দকী পাঞ্জল অদুনা সোয়াম মেরিনানা চনখিবনি। নুপামচাগী ওইনা নার্কোটিক্স অমসুং ট্রাফিক পুলিসকী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা নার্কোটিক্সনা পেনাল্টি শুটআউটতা ট্রাফিক পুলিসপু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখিবনি। নার্কোটিক্সকী পাঞ্জলশিং অদু কে ঐচ সুশান্ত অমসুং এল হেরিসননা চনখিবনি।

# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 1403**

**GM Andrey Esipenko (2695) - GM Magnus Carlsen (2833)**
**Chessable Masters Winners chess.com INT, 2025.02.18**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.d4 Nf6 | 2.c4 e6 | 3.Nc3 Bb4 | 4.Nf3 b6 |
| 5.e3 Bb7 | 6.Bd3 O-O | 7.O-O c5 | 8.Na4 cxd4 |
| 9.exd4 Bxf3 | 10.Qxf3 Nc6 | 11.Be3 e5 | 12.a3 exd4 |
| 13.Bf4 Be7 | 14.b4 Re8 | 15.Rfe1 Bf8 | 16.g4 Rc8 |
| 17.c5 bxc5 | 18.g5 Rxe1+ | 19.Rxe1 Ne8 | 20.Bc4 d5 |
| 21.Bxd5 Qd7 | 22.Nxc5 Bxc5 | 23.bxc5 Ne7 | 24.Bb3 Rxc5 |
| 25.Qe4 Kf8 | 26.Qxh7 Ng6 | 27.h3 Rc3 | 28.Be6 fxe6 |
| 29.Qxg6 Qf7 | 30.Qe4 Rxh3 | 31.Qxd4 Qf5 | 32.Bg3 Qxg5 |
| 33.Qb4+ Kg8 | 34.Rxe6... | | |

**QUESTION : Black to win**

**Puzzle 1402 Solution :**

**30. Ng5+** Opening the line from h3 to h7. **hxg5 31.Qh3+ Bh6**
**32.Rh8+** The white rook decoys Black's king. The white rook deflects Black's king away from protecting the bishop. **Kxh8**
32...Kg7 33.Qxh6#
**33. Qxh6+** The white queen captures Black's bishop, which was defending the square f8. **Kg8**
33...Qh7 34.Rf8#
**34. Rf8#** Killbox mate
**1-0**

# বামদিয়ার এফ সীনা ৱিন্নর ওইখ্রে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৩(ঐচ এন এস):**
তম্ফা সাবল য়ুঠ ক্লবনা শীন্দুনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী মনুং চনবা ৱাকচিং খুল্লেনদা লৈবা ক্লব অসিগী শান্নবুংদা থা অসিগী ৮দগী হৌরগা চথুরকখিবা অহানবা ৬ মেন ওপন নোকআউট ফুটবোল টুর্নামেন্ট (নন-প্রোফেসনেল) ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা লোইশিনবা নুমিৎতা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা বামদিয়ার এফ সীনা গাইচাম এফ সী ওইনামবু পাঞ্জল ৪-০দা মায়থীবা পীরম্লগা ৱিন্নর ওইবা ঙমখ্রে।



ঙসি লোইশিনবা নুমিৎকী থৌরম অদুদা ৱাঙ্গৈই এ সীগী হান্নগী এম এল এ ওইনাম লুখোই, কোদোমপোকপী জি পিগী হান্নগী মেম্বর লোইতোংবম সুরচন্দ্র, লাইরেঞ্জম মৈজ্রাও গ্রাম পঞ্চায়টকী চেয়রপর্সন তোংব্রম মংলেম্বনা মরুওইবা মীওইশিং ওইনা শরুক য়াখি।







Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com